# ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌদুনা ইন্দিয়াগী অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে



বাসেল, ওগষ্ট ২৫(এজেন্সী)ঃ স্বিজর্লেন্দগী সিটি বাসেলদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা চেম্পিয়ন ওইদুনা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন পুৱারিদা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রে।

পি ভি সিন্ধুনা ঙসি জপানগী শান্নরোয় নোজোমি ওকুহরাবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ওইনা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেদল ফংবা শান্নরোয় ওইখি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০১৭ অমসুং ২০১৮তা পি ভি সিন্ধু চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লগা টাইটল লৌবা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসি মহাক্না ৱর্ল্ড নম্বর ৩ ওইরিবী জপানগী নোজোমি ওকোহরাবু য়াম্না কোম্না ২১-৭, ২১-৭দা থোইদুনা গোল্ড মেদল ফংবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনগী অনৌবা পুৱারী শেমখি।

সিন্ধুনা সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৪ সেন য়ুফৈবু ২১-৭, ২১-১৪দা থোইরমখি। অদুগা নোজোমি ওকুহরানা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনবু ১৭-২১, ২১-১৮, ২১-১৫দা থোইরম্বনি। মমাঙগী টুর্নামেন্ট কয়াদা সিন্ধুনা ফাইনেলদা নোজোমি ওকুহরাগা লম্বা তৌনবদা মায় পাকপা ঙমখিদবা অদু ঙসিদি মহাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না পুখোক্তুনা য়াম্না কোম্না মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপাগী কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ১ জপানগী কোন্তো মোমোতানা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বি সাই প্রনিথপু ২১-১৩, ২১-৮তা মায়থীবা পীরম্লগা ঙসি ফাইনেলদা দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোনসেনবু ২১-৯, ২১-৩দা মায়থীবা পীরগা টাইটল লৌখি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দোনেসিয়াগী অসান অমসুং সেটিয়াৱাননা টাইটল লৌখি। অদুগা নুপীগী দবলসতা জপানগী মাটসুমোটো অমদি নাগাহরানা টাইটল লৌরগা মিক্স দবলসতা চাইনাগী সিৱৈ অমদি য়াকিয়োংনা মকোক ওইখি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০১

১) মখাদা পীরিবশিং অসি উখ্রুলগী অফাওবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংনি। মখোয়গী মনুংদা তোঙানবা শান্নরোয় অমা য়াওরি, মহাকসু উখ্রুলদগীনি। মহাক কনানো?
য়াঙমাশো সৈজা (চীফ মিনিষ্টর), সঙাম, অলেঙ শিমরে, ফারেঙ, রোমিও অমসুং বোরে।

২) অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াদা নেসনল কেনো স্প্রিন্ট চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখি। করম্বা ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্স (Water Sports Complex)তা থৌরম অদু পাঙথোকখি।

৩) তরুকশুবা সার চুরাচান্দ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকখিবদা অশিল-অরাং তৌখিবা লুপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) অমেরিকা মচা অমগা রসিয়া মচা অমগা লোঙজম্পদা ফুট ২৭ হেন্না চোংবা ঙম্মী, মখোয় অনীবু ফুট ২৬কা খরা খক হেন্না চোংখিবা নুপা অমনা ওলিম্পিকক্তা সনাগী মেদল ফংখিবদুনা মায়থীবা পীখি। সনাগী মেদল লৌখিবা অদুগী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মঞ্জিৎ অমসুং দিঙ্কু সেমি ফাইনেলদা মায়থীহৌরে

বেঙ্গালুরু, ওগষ্ট ২৫(এজেন্সী)ঃ কর্নাটকাগী বেঙ্গালুরুদা লৈবা পাদুকোন-দ্রাবিদ সেন্টর ফোর এক্সিলেন্সতা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া জুনিয়নর রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসতা মণিপুরগী খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কু সেমি ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেলদা নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা মণিপুরগী খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কু দি এস সনিত অমসুং কে পৃথিবী রোয়গা লম্বা তৌনবদা গেম ৩ থেংনরগা ১-২দা মায়থীহৌখি।

অহানবা গেম অদুদা সনিত অমসুং পৃথিবীনা ২১-১৪দা থোইখি। মদুগী মতুং মঞ্জিৎ অমসুং দিঙ্কুনা চপ মান্নবা স্কোরদা ২ শুবা গেম থোইরগা দিসাইদিং গেম শান্নবদা ১৭-২১দা মায়থীদুনা সেমি ফাইনেলদা লৈহৌবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা সিদেদ সটিস কুমারনা প্রনব রাও গন্দমবু ১৫-২১, ২১-১৮, ২৪-২২দা থোইরগা ফাইনেল চঙবা ঙমখি। মহাক্না হায়েং ফাইনেলদা ধ্রুব রাৱদবু ২১-৭, ২২-২০দা থোইরম্বা রোহন গুরবানিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ত্রিসা হেগে অমসুং টানিয়া হিমান্তনা ফাইনেল শান্নরগনি।

# মোহন বগানবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা গোকুলম কেরলানা মখোয়গী অহানবা দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে



কোলকতা, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী)ঃ এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা অদুগা মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা ৩শুবা লৈরিবা দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং কোলকতাগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম (য়ুব ভারতি ক্রিয়াঙ্গন) দা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা মফম অদুগী ক্লব মোহন বগানবু গোকুলম কেয়রা এফ সিনা পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা টাইটল লৌখ্রে।

গোকুলম কেরলা এফ সিগী টিম অসি টুর্নামেন্ট অসিগী লিগ রাউন্দদগী য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমদুনা লাকখিবনি। গোকুলম কেরলা এফ সি টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'দি'দা মেচ ৩ শান্নবদা অহুমক মায় পাক্তুনা লাকখি। মখোয়না ইন্দিয়ন এয়রফোর্স, চেন্নাইয়ন এফ সি অমসুং মণিপুরগী ক্লব ট্রাওবু থোইদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা, মোহন বগান ক্লবসু গ্রুপ 'বি'দা শান্নখিবা মেচ ৩ মায় পাকখি। মখোয়না ইন্দিয়ন নেভি, মোহমন্দন স্পোর্টিং অমসুং এ টি কেবু মায়থীবা পীখি।

সেমি ফাইনেলদা মোহন বগাননা রিয়েল কাশ্মিরবু এক্সত্রা টাইমদা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা গোকুলম কেরলানা কোলকতাগী ইষ্ট বেঙ্গলবু পেনাল্টি কিকতা পাঞ্জল ৩-২দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখি।

ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা হাফ মোহন বগান অমসুং গোকুলম কেরলা লম্বা মান্ননা শান্নরকপদগী মিনট ৪৫গী মতম পাঞ্জল চন্নখিদে।

অহানবা হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমদা গোকুলম কেরলাগী কেপ্টেন মার্কস জোসেপনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৫১ শুবা মিনটতা জোসেপনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা মোহনব বগানবু ২-০দা হেনখি। শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা মোহন বগানগী মায়কৈদগী সলবাদোর মার্টিনেস সোমোরোপনা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেচ অদু ফুগৎনবা হোৎনবদা গোকুলম কেরলাগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না ফজবা মওংদা মখোয়গী গোল লাইন অদু থিংদুনা থমখিবদগী টিম অদুমক্না মোহন বাগনবু ২-১দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

## অনন্দ অমসুং লিরেন দ্রো চংখ্রে

সেন্ট লুই, ওগষ্ট ২৫(এজেন্সী)ঃ য়ু এস এগী সেন্ট লুই সিটিদা পাঙথোক্লিবা সিনকেফেল্ড কপ চেছ টুর্নামেন্টকী ৭শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিস্বানাথন অনন্দ অমসুং চাইনাগী দিং লিরেন দ্রো চংখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা ৭ শুবা রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা বিস্বানাথন অনন্দনা মায় পাকপা য়ারম্লবা তাঞ্জা অমা মাংজরগা দিং লিরেনগা শান্নখিবা মেচ অদুদা অমুবা মচু পায়রগা ৬০ শুবা মুভতা দ্রো চৎপদা য়ান্নখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী ৭ শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা বিস্বানাথন অনন্দ, দিং লিরেন অমসুং য়ু এস এগী ফাবিয়ানো করোনা পোইন্ট ৪/৪ ফংমিন্নরগা মাংজিল থারি।

পোইন্ট ৩.৫ ফংদুনা লৈরিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি নোর্ৱেগী মেগনস কার্লসন, রসিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচি, অজরবৈজানগী সাখ্রিয়ার মামেদিয়ারোপ, য়ু এস এগী ৱেসলি সো, রসিয়াগী সর্গে কর্জাকিন অমসুং ফ্রান্সকী মেক্সিম ভাসিয়র লাগ্রেবনি।

# টাহিটিবু ২-০দা থোইরগা ইন্দিয়াগী য়ু-১৯ টিমনা ও এফ সি দিভলপমেন্টেল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



পোর্টভিলা, ওগষ্ট ২৫(এজেন্সী)ঃ ভানোটু লৈবাক্কী কোনুং পোর্ট ভিলাদা লৈবা কোর্মান ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা চহী ১৯ মখাগী ওসিনিয়ন দিভলপমেন্টেল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিমনা টাহিটিবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

পেসিফিক ওসিনদা লৈবা ঈথৎ লৈবাক ভানোটুদা পাঙথোকপা ওসিনিয়া ফুটবোল কনফিদরেসনগী দিভলপমেন্টেল টুর্নামেন্ট অদুগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেচ অদুগী ২শুবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনখিবা অদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিং য়াবদি, ইন্দিয়াগী টিম অসিনা টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা মেচতা য়ুম্ভু ভানোটু মায়থীবা পীরমখি। মদুগী মতুংদা কুমজা ২০১৭দা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপকী টিম অমা ওইনা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা শান্নরম্বা ন্যু কালেদোনিয়াগী টিমবু মায়থীবা পীরগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবা মণিপুর মচা গিপসন অমসুং নিংথোইগী য়াম্না ফজবা মশান্না অদুদা অহানবা হাফতা টহিটিগী দিফেন্স লাইন অদুবু তোইনা নমখাইরগা বোল পুশিনখিবা অদু টাহিটিগী দিফেন্দরশিং থিংনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি।

নিংথোইনা কাউশিনখিবা সোট অমা টাহিটিগী ক্রোস বার মথক্তা হায়গৎতনা পাঞ্জল ওইবা য়াবা তাঞ্জা অমা মাংজখি।

টাহিটিগী দিফেন্দরশিং অদুনা নীংথোই অমসুং গিপসনগী এটেক অদুদা মখোয়গী গোল্ড লাইন য়ৌদনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা মিনট ২৬ চঙশিল্লকপা মেচকী ৭১ শুবা মিনটতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা ইন্দিয়াগী মনবিরনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্কী মতুং শান্নবগী অরোইবা মতম মিনট ৯০ য়ৌগদবা শুপ্পবগী মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বিক্রমনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চল্লগা টাহিটিবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা ও এফ সি দিভপলমেন্টেলগী টাইটল অদু লৌখি।

# ইন্দিয়াগী চহী ১৫ মখাগী টিমনা সাফ চেম্পিয়নশিপ্তা ভুটানবু পাঞ্জল ৭-০দা মায়থীবা পীখ্রে



কলয়ানি, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী চহী ১৫ মখাগী নুপামচাগী গ্রুপ মেচতা ভুটানগী টিমবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৭-০দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী চহী ১৫ মখাগী টিম অসিনা ঙসি শান্নখিবা সাফ চেম্পিয়নশিপকী রাউন্দ রোবিন মেচ অমদা ভুটানবু হৌবদগী হৌনা খুদুম চনবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী টিম অসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা তাইসন অমসুং স্রিদাথনা মেচকী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২/২ চনবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা তাইসননা চনখিবা অহানবা পাঞ্জল অদু মেচকী অহৌবা মিনটতা ওইখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদু সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী চহী ১৫ মখাগী খ্বাইদগী ঙন্না চনবা পাঞ্জল ওইখি। মহাক্না পাঞ্জল অদু মেচকী শুপ্পগী মিনট ৫দা চন্দুনা খ্বাইদগী থুনা চনবা পাঞ্জল ওইখি।

পাঞ্জল অমা মাংজিল থাদুনা লাক্লবা ইন্দিয়াগী টিম অদুগী মায়কৈদগী স্রিদাথনা মেচকী ৮ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোরদা ২-০দা লৈহনখি।

ইন্দিয়াগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু টিম অদুদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা সিংসোননা ভুটানগী দিফেন্দরশিং লান্থোক্লগা চনবা ঙমখি। অদুগা স্রিদাথনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ২৫ শুবা মিনটতা চন্দুনা অহানবা হাফতা ইন্দিয়ানা ৪-০দা হেন্দুনা লৈরিবা অদু টাইসননা হাফ অদুগী অরোইবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৫-০দা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা মখা তানা এটেক চখবা ঙমদুনা ভুটানগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল ২ অমসুং হাপচিনবা ঙমখি।

হাফ অদুগী হৌরকপা অঙনবা শরুক্তা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা ইসাকনা য়াম্না শাংনা কাউখিবা সোট অমা পাঞ্জল ওইদুনা ৬-০দা লৈখি। অদুগা অপীবা মতম অদু লোইগদবা মিনট ১ ৱাৎলিঙৈদা রেনেদি মীতৈনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ভুটানবু ইন্দিয়ানা ৭-০দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিব মেচ অমদা বংলাদেশতা স্রি লানকাবু পাঞ্জল ৭-১দা থোইখি। বংলাদেশকী অল অমিননা পাঞ্জল ৫ চনখি।

# ইন্দিয়াগী আর্চর কোমালিকানা য়ুথ আর্চরি চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদল লৌখ্রে

মাদ্রিদ, ওগষ্ট ২৫(এজেন্সী)ঃ স্পেনগী কোনুং মাদ্রিদতা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড আর্চরি য়ুথ চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী কোমালিকা বারিনা ইন্দিয়াগী ৩শুবা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ১৬তা ঙাইরিবী কোমালিকা বারিনা চহী ৪ হেন্না ইন্দিয়াগী অরিবা টেঞ্জৈ অমসুং লিরুংদা ট্রেনিং তৌরবা মতুং টাটা আর্চরি একাদেমিদা কুমজা ২০১৬তা রিকর্ব ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবনি। মহাক্না ৱর্ল্ড য়ুথ আর্চরি চেম্পিয়নশিপ অদুগী অহানবা রাউন্দদা বাই ফংলবা মতুং মখা তাবা রাউন্দ ৫ মায়থীবা পীরবা মতুং ফাইনেলদা জপানগী আর্চর ৱাকা সোনাদাগা লম্বা তৌনবদা মায় পাক্তুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০০৯দা ইভেন্ট অদুমক্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা আর্চর হৌজিক্কা ওলিম্পিয়ন ওইরিবা দিপিকা কুমারীনা টাইটল লৌবা ঙমখি। অদুগা কুমজা ২০১১দা দিপিকা কুমারীনা ৱর্ল্ড জুনিয়র টাইটল লৌবা ঙমখি।

ৱর্ল্ড আর্চরি য়ুথ চেম্পিয়নশিপ অসিগী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা কম্পাউন্দ জুনিয়র মিক্স টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুকবির সিংহ অমসুং রাগিনি মার্কুনা স্বিজর্লেন্দগী এন্দ্রি ভালারো অমসুং জানিন হন্সপরগরবু ১৫২-১৪৭দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, সুকবির সিংহনা ৱর্ল্ড আর্চরি য়ুথ চেম্পিনশিপ অসিগী জুনিয়র কম্পাউন্দ টিম ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল অমসু ফঙখ্রবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা ঙসি গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবী কোমালিকা বারিবু কোচ সুরিন্দর অমসুং অনিল কুমারনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

**Ref :- Mutation Case No. 535/SDC/Oinam of 2019**

1. Thoimuchung Thoitak S/o (L) Thoitaksong Thoitak of Bungte Khullen Chiru (1.25 acre)
2. Thoimusing S/o (L) Somsong of Bungte Khullen (0.84 acre)

...Applicants

-Vs-

Co-Pattadar No. 3 & 4
1. (L) Thoitaksong S/o (L) Thoiduchom
2. (L) Somsong S/o (L) Thoimumeba all of Bungte Khullen.

- O.P. Pattadars

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Oinam, the 24th August, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩৩ - ঙাইখোং খুনৌগী পাট্টা নং ২১৩ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১০০, এরিয়া একর ২.০৯ চাউবা অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার ৩ অমসুং ৪ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি অনীনা মৃ: পাট্টাদারশিংগী মমিং কল্লগা মাগী/মাগী শরুক মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চখ্রগনি।

***Sd/- Victoria Huidrom***
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/3791/26



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

**Ref :- Mutation Case No. 534/SDC/Oinam of 2019**

Ningthoujam Achoubi Devi W/o (L) Lapchou Singh of Leimaram Awang Leikai. ...Applicant

-Vs-

1) Ningthoujam Lokendra Singh S/o Khema Singh of Leimaram (share of 0.69 acre)
2) (L) Ningthoujam Lapchou Singh S/o (L) Julon Singh of Leimaram Awang Leikai (share of 0.34 acre)

- O.P. Pattadars

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Oinam, the 24th August, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ২৮ - লৈমরামগী পাট্টা নং ১৩০ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১০৪৭, ১০৪৮, এরিয়া একর ০.৫০, ০.৫৩ চাউবা ইখ্খোল অসিগী পাট্টাদার ২ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী শরুক মখৈ মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চখ্রগনি।

***Sd/- Victoria Huidrom***
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/3791/26



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 694/SDC/IW(P) of 2019**

1. Khoirom Ibemu Devi W/o (L) Kh. Budhichandra Singh of Yurembam Awang Leikai.
2. Kangujam Ronibala Devi W/o K. Arbin Singh of Yurembam Awang Leikai. ...Petitioners

-Vrs-

(Late) Shri Khoirom Budhi Singh S/o (L) Gulamjat Singh of Yurembam ...O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

24th August, 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ৭৯-য়ুরেম্বমগী পাট্টা নম্বর 203 Angs (Old), 179/667 (New) দাগ নম্বর 278/460 গী পোইন্ট .4771 একর চাউবা ইখ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৩১/০৮/২০১৯ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চখরগনি।

HL-P/3639/26 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Imphal West, Patsoi



**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / পাইলসকী ওজা অবদুল হকপু থাগৎচরি**

পাইলসকী অনাবনা মরম ওইদুনা ঐনা অৱাবা খাংদুনা চহী ৬ মুক লৈরকখি। অদুবু নোংমা পাউচেদা থেংনজবদগী ওজা Abdul Hak, Contact No. 8014623756, 8794429681গী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগী পাউতাক্কী মতুংইন্না হীদাক চাজবদগী হকচাং নুংঙাইজরে। ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিংদি খোঙ হাম্বদা ঈ তাবা, চিকপা, থুপ্পা, পোম্বা, কক-কক থিনবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা অসিনচিংবনি। অতোপ্পা মাইবশিংগী হীদাক চাখি অদুবু কানবা ফংখিদে। ওজাগী হীদাক অসি অমুক্তং চাবীয়ু হায়না পাউচেগী থোঙদা খঙহঞ্জরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

*থাগৎচরিবী :* **W. Jamuna Devi**
Langthabal Furamakhong

HL-P/3728/26



**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা মতুম অমা ফুরিগুম্না পোমথোক্লকপা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা ফহনবগীদমক ওজা MV Azad Phusam বু হন্না হন্না থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা মতুম অমা ফুরিগুম্না পোমথোক্লকপা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, হকচাং পাঙ্গল নোংমা-নোংমগী শোন্থরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা ফুরিগুম্না পোম্বা মফম অদুদা নাই চারগা য়াম্না চিকপা নাবা, খাংফম খঙদবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক নুংঙাইতবা, পুক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হামনীং-হামনীং তৌরগা অদুম লৈবা, খ্বাং নাবা, ফম্বী শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, খুকউ নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, চারবসু হকচাংদা মচি ওইদবা, হকচাং পাঙ্গল নোংম-নোংমগী শোন্থরকপা, ইথন্তা চৎপা, থোকপা ফাওবা ঙমশিল্লক্তবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙমদবা তৌরম্বা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal,
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open),
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sun & Wed open),
4. Mayang Imphal Bangoon Leirak achouba (6am to 10am)

HL-P/3621/26 *থাগৎচরিবা :* **Kh. Jeeban,** Thoubal



**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/নপ শিৎপদা ঈ য়াওরকপা, ঈ চৎখিবা লোইরগা কোক ঙাওবা অদুগা কোক লূম-লূম লাওরগা লৈবা, ঙকশম মরী তোয়না নাবা, নাতোন মনুংদা পোন্নগা কাইরগা ঈ তারকপা ফহনবগীদমক ওজা MV. Kayamuddin বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা নপ শিৎপদা ঈ য়াওরকপা, ঈ চৎখিবা লোইরগা কোক ঙাওবা অদুগা কোক লূম-লূম লাওরগা লৈবা, ঙকশম মরী তোয়না তোয়না নাবা, নাতোন মনুংদা পোন্নগা কাইরগা ঈ তারকপা, শ্বর হোনবদা য়াম্না ফুনশিনবা লোয়রগা ৱা ঙাওবা ঙম্লক্তবা, নাতোন মনুংদা চাথৎপা, হাকথি তোয়না খনবা লোয়রগা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, লোক কংখু খুবা অদুগা নপ মহী তাবা, লোক তোয়না তোয়না থুংগনবা, নুংশিৎতা চৎপা য়াদবা, শ্বর ফুনজিল্লকপা, উফুলদা চৎলুরগনা শ্বর ফুনবা অদুগা কোক ঙাওবা অমদি তোয়না চিকপা, চানীং থক্লিংবা পোক্তবা, মীৎ নুংঙাইতবা তৌরম্বা অদু **MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8837496469, 8575814720, 8413870027** তা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Kayamuddin বু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

HL-P/3741/26 *থাগৎচরিবী :* **Leitanthem (O) Sundri Devi,** Khagempalli